# মৈতৈ পুঙ চোলোমদা তাঙ্গরা পাইবী হায়রগা খঙনরকখিবা গুরু মৈহৌবম সৈত্যবান



মৈতৈ পুঙগী চন্নফম মণিপুরী কলচরদা য়াম্না চাউনা লৈ। মালেমদা মমিং লৈরিবা মণিপুরী রাস জগোয় অসি মৈতৈ পুঙ য়াওরমদ্রবদি মশক থোক্লমল্লোই, জগোয় ফাওবা লৈরমদবা য়াই। নট সঙ্কীর্ত্তনগী থৱায়নি। পুঙ য়াওদনা সঙ্কীর্ত্তন ওইবা য়াদে। পুঙ হায়বা অসিসু ইচম চম্না উদগী পুঙগী মওং মান্না খেৎলগা হেক্তা ওইরকপা নত্তে। মৈতৈ পুঙ অমগী মশাদা কাঙলোন কয়া অমা লৈরি। লৈরিবা কাঙলোনশিং অদু অমত্তা কায়বা য়াদে। পুজা তৌদুনা শেম শারকপনি। ইরায় লায়বা অমা নত্তে। মসিগী মখোল, মরোল পুম্নমক্তগী তোঙাল্লি। পুঙ থোনগদৌরিবা ওজা/গুরুশিংগী ফিজেৎ তোঙাল্লি। ফিজেৎ লান্না শেৎলগা পুঙ থোনবা য়াদে। রিচ্যুএল/স্পিরিচ্যুএল পুম্নমক্কা য়োমদুনা থল্লিবা লুখ্রবা মৈতৈ পুঙনি। মতম অমা ওজা-গুরুশিংনা পুঙগী চোলোম হায়বসি শা-ঙাগী মওং মতৌ, ঈশিং মনুংদা লৈবা ঙানা ঈশিংদা চাদুনা শান্নবগী মুভমেন্ট, মণিপুরী মার্সিএল আর্টসকী খোঙফম, ফীভম, খোঙথাং, খুৎচৎনচিংবা কয়াদগী শেমগৎলকখিবা ঐখোয়গী পুঙগী ফজরবা মশক অসিমদি কনা অমত্তনসু মতৌ তম্বসু ঙম্লোই, অদুগা নৌনা শেমগৎপসু ঙম্লোই। মতিক ময়াই চেনখ্রবা পুঙগী আর্ট অসিগী মশক মমিং নাইরবা ওজা গুরু কয়া অমা লমদম অসিদা পোকখ্রে। কয়া অমা লৈখিদ্রে। হৌজিক লৈরিবশিংগী মনুংদা খুৎ থেকপদা মশীং চিথবা য়াদ্রবা গুরুনি মৈহৌবম সৈত্যবান। মতম অমা তাঙ্গরা পাইবী হায়রগসু খঙনরকখিবা গুরুনি। গুরু অসিগা পুঙবা ওইনা পারম্বা অসি ওজা থম্বালঙৌনি। মশক মতৌদগী ফীভমদগী ওম্থোক্না পুঙবা অনী অসি চুনখি। মান্দপ ময়াইদা লৈদুনা হুন্দুনা, লোংহুন তৌদুনা, ফম্লে লৈদুনা চোলোম উৎলকপদা অয়েংবা অমত্তনা মমিৎ চোইথোকখিদে। দেব, কর্ম, থৌরম অমা পাঙথোকপদা পুঙগী চোলোম ঙাইনৈ। চোলোম লোইবদা সঙ্কীর্ত্তন লোইরবগুম য়েংলম্বশিং মপূক্লিং পেন্না হৌগৎনখিবগী ৱারী অমদি মীৎনা উহৌবা কয়া অমা ঙসিসু কাউবা ঙমদনা লৈরি।

মশক নাইরবা গুরু মৈহৌবম সৈত্যবান কুমজা ১৯৭২গী মার্চ ৪দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা য়াইরিপোক য়াম্বেম হায়রিবা মফম অদুদা পোকখি। হৌজিক্না পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল ইষ্টতা য়ুম্লিংদুনা লৈরে। ওজা অসিগী মবুধৌ পুঙ থোল্লম্মী, কোনুংগী হঞ্জবা ফাওবা ওইরমখি। পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা মবুধৌগী খুদুং ইন্দুনা পুঙ য়ৈনিংবগী ইথিল অমদি অদুম ফাওদুনা লাকখি। কৌতা য়ৈদুনা, অফংবা য়ৈনিংবা অমা হেক্তা তান থাদুনা য়ৈবা হায়বসি হৈনবী ওইদুনা লাকখি। অদুগীসু মথক্তা লৈকায় লমদম অদুদা পুঙ য়ৈবগী মীশকশিং লৈরক্তবনা জেনরেসন অমা গেপ লৈরকপা য়াবগী থাজবা লৈবদগী ওজা অসিগী অপোকপনসু মচাবু পুঙ য়ৈবা তম্নবা হোৎনরকখি। পামজবদা খুৎ থাজিনবা, ঈরুজনিংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নে হায়বগুম থোক্লবা ওজা সৈত্যবাননা থৱায় য়াওনা পুঙ তম্বা হৌজরকখি। জৱাহরলাল হেনরু মণিপুর দান্স একাদেমীদগী মৈতৈ পুঙদা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিপ্লোমা কোর্স তম্লকখি। ওজা অসিগী গুরুদি য়াম্না য়াম্মী। তমজরকপা গুরু খূদিংমক্তগী অনৌবা পাড়া অমমম মচা তানা তমজরকখি। খঙনিংবা হৈনিংবা পাড়া অমা লৈবদা গুরু অমগী মনাক্তা চৎতুনা মখল মথেল কয়া তম্লকখি। পুঙ চোলোম তৌবদা অনৌবা মথেল ওইনা মীৎকী কুম্মৈ অমা ওইনা, ৱাখল মীৎয়েং চোইথোকহল্লকখিদবা ফম্লে, লেপ্লে, লোংহুন কয়া অদু শুপ্পগী ষ্টেজদা উৎনবা থওইনা তমখিবনি। অদুবু ভাবোক মরক্তগী মান্দপতসু হাপ্পীয়ু হাপ্পীয়ু হায়না কন্না হায়বদগী হাপ্লকখিবনি। অদুম্না মান্দপ ময়াইদা হুন্দুনা চোংদুনা লৈদুনা তৌবসি কয়া চৎনরকখিদে। অদুনা মতমদুগী অহল-লমন ওজা-গুরু কয়াগী মরক্তগী অয়েৎপদি লৈখি। অদুবু মতমগী অহোংবনি, মীয়ামগী অপান্বনি হায়না হায়বীদুনা চৎনবা য়ানবা ওইনা শেমগৎলকখিবদগী হৌজিকসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা অমা ওইনা লৈরি। ওজা অসিনা তমজরকখিবা গুরু খরদংগী মিং পঞ্জরবদা- গুরু শরুংবম পিশক, য়াইরিপোক য়াম্বেম; গুরু মোইরাংথেম মোধুমঙ্গোল; গুরু জি ইবোচৌবী শর্ম্মা, য়াইরিপোক; গুরু কোন্দুম, থৌবাল; গুরু য়াইমা; কে লৈবাকমচা; আর কে অচৌসনা; এন বোকুলজাও; ৱাই শামো; এম বোকুল অমদি পদ্মশ্রী এস থানিল পঞ্জবা য়াই।

গুরু সৈত্যবান অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ মণিপুরী ম্যুজিক পুঙদা ২০২০দা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা এৱার্দ কয়া পীদুনা নোল্লুকপা উৎখ্রে। খরদং পল্লবদা- ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ, ডা. বি আর অম্বেদকর এৱার্দ, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, কোঞ্জেংবম ধনা সিং গোল্ড মেদল, অসাম সাহিত্য পরিষদ বিদ্যা ভুষননচিংবা কয়াগা লোয়ননা লূপ কয়ানা ওজানা কথোরকপা কয়া অসিবু শিংথারদুনা সর্টিফিকেট ওফ ওনর কয়া অমা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদগী স্কোলারশিপ, ফেল্লোশিপ মথং মথং ফংদুনা হীরম অসোমদা মায়পুননা চঙশিনবদা মতেং কয়া অমসু পীরকখিবা লৈখ্রে। মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন ফেষ্টিভেল, ৱার্কশোপ অমদি অতৈ থৌরম কয়াদা আর্টিষ্ট অমা ওইনা অমদি গুরু অমা ওইনা শরুক য়ারুখ্রে। লম খরদং পল্লবদা- য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা, জর্মনি, ফ্রান্স, হোল্লেন্দ, জপান, চাইনা, বাংলাদেশ, মোঙ্গোলিয়া, রুসিয়া, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ম্যান্মার, ফিল্লিপিন্স, পোর্টুগাল, ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল অমদি চিলিনচিংবা মফম কয়াদা মণিপুরী কলচরগী অশেংবা মশকশিং উৎলুরে। মণিপুরী কলচরগী মশক অসিবু মালেমদা হেন্না মশক তাক্লবা পান্দমদা শীনখিবা কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম কয়াদা মায়পুনবা গুরু অমা ওইনা তাকপী তম্বীরুরে। মফম খরদং পঞ্জরবদা- ম্যান্মার, বাংলাদেশ, হোল্লেন্দ, ত্রিপুরানচিংবনি।

ওজা মৈহৌবম সৈত্যবানগী লমজিং মখাদা হৌরক্লিবা নহাশিংবু পুঙ তম্বীবগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি। জে এন এম দি এদা ভিজিটিং গুরু অমা ওইনা তম্বীবগী মথক্তা মশানা লুচিংদুনা লিংখৎলকখিবা শ্রী শ্রী গোবিন্দজি নট সঙ্কীর্ত্তন ইন্সটিট্যুট, পেলেস কম্পাউন্দদা মহৈরোয় অপীকপা অঙাংদগীনা অচৌবা ফাওবদা বেটচ নাইদুনা তাকপী তম্বীবগী থবক কন্না চথুরি। ওজা অসিগী তোপ-তোপ্পা অমা হায়বা তারবদি চুম্নগী পুঙগী পুঙলোন, পুঙগা মরী লৈনবা কয়া তম্বীবগী মথক্তা, পীক্লিবা অঙাংশিংদা মীওইবগী অচুম্বা শাজৎ-লীচৎ, থৌগল্লোননচিংবা কয়া নীংথিনা তম্বীরি। ওজা অসিগী মখাদা তমখিবা নহা কয়া ঙসিদি মতিক চারবা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লবা কয়া অমা থোরকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ইন্সটিট্যুট অসিগী মখাদা মীওই ৬০ হেন্না পুথোকখ্রে। হৌজিকসু মখা তানা তম্লি। লাইরিক তম্বীবগা আর্ট তম্বীবগা অনী অসি য়াম্না খেন্নে। লাইরিক্কীদি ইথোক্তুনা লৈরবা, সিল্লেবস নাইদুনা মহৈরোয় খূদিংমক্না তম্নরিবা পাড়া অদুদা হেন্না চঙখোন্নবা তম্বীবনি। আর্ট তম্বীবদি মদু নত্তে। আর্ট তম্বীবদি পুন্সি হায়বসি করিনো, করম্না মায় পাকপা পুন্সি অমা ওইগনি। অচুম্বা অশেংবা, ফজবা হায়বা পোৎলম অহুম অসিনা মাঙদা থল্লগা, করম্না মীয়ামগী থৌগল তৌগদগে। করি করম্বা ৱাঙাং শাঙাং ঙাংলগা অফবা অচঙবা মীশক অমা ওইবা ঙমগদগে হায়বা অসিগা লোয়ননা ফিজেৎ-চাকচা য়াওনা পুন্সিগী মথেল শুনা তম্বীবনি। মদুনা মালেমগী পিছ হায়বা অদু পুরক্লবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি।

ওজা অসিগী মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা শ্রী শ্রী গোবিন্দজি নট সঙ্কীর্ত্তন ইন্সটিট্যুট অসিদা অরাপ অরাপ্পা মফম কয়াদগী মহৈরোয়শিং লাক্তুনা তম্লরি। ম্যান্মারদগী ফাওবা লাক্তুনা পীক্লিবা অঙাং কয়া তাকপী তম্বীরি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মহৈরোয় কয়ানা গুরু অসিগী মফমদগী অথুপ্পা মহৈশিং তমজনবগীদমক কন্না হোৎনরি। তম্বীবগী লোইবা নাইদবা পাক্লবা ঈপাক্কুম্লবা আর্ট তম্বীবা হায়বসিমক্তবু চহী অমা অনী তম্লগা ওইবা য়াবা নত্তে। অদুনা মহৈরোয় অমনা ওজা অসিগী মখাদগী চহী ১০, ১২, ১৪, ১৫ ফাওবা লেপ্তুনা হৌজিকসু তমহৌরি। ওজানসু মাগী মহৈরোয়শিংবু মচাদা মচাদৌনা লুনা চান্না মতিক চাবা মীশক অমমম ওইনবা কন্না ইক-হৌরি।

– নানি

## অইবা-অইবীশিংনা রিলিফ কেম্পদা মতেং পাঙবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুরদা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা তম্পাক্কী রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরগা লৈরিবা মীয়ামদা মণিপুরগী অইবা-অইবীশিংনা ঙসিদগী তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

য়ুনিয়ন ওফ এসোসিএসন্স ওফ মণিপুর রাইটর্স অমসুং মণিপুরী মীতৈ এসোসিএসন, বেঙ্গলোরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌবগী ঙসি অহানবা নুমীৎতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোকতা লৈবা রাইস রিসর্ছ ষ্টেসনদা হাংবা রিলিফ কেম্প, লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল রিলিফ কেম্প অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কল্যান আশ্রম, ককচিং অমসুং ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, ককচিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংগী ইনমেটশিংদা সেনিটরি পেদ, ফিসু সোদা অমসুং শম্পুনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

ঙসিগী তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদুদা য়ুনিয়ন ওফ এসোসিএসন্স ওফ মণিপুর রাইটর্সকী ভাইস প্রসিদেন্টশিং সরতচান্দ থিয়াম, এসঐচ প্রহ্লাদ শর্ম্মা, জেনরেল সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম, এগজিক্যুটিভ মেম্বর ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি, মেম্বর ডা. উমা ময়েংবম লোয়ননা অতৈ মেম্বরশিং অমসুং মণিপুরী মীতৈ এসোসিএসন বেঙ্গলোরগী এদভাইজর শোইবম সুশিলনচিংবা মশক নাইবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

## ইঙৌরোক কম্ম্যুনিটি হোলদা প্লান্ট হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস):** পান্বীশিংদা তারিবা তিন অমদি মহীকশিং করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বা হীরমগা মরী লৈননা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভেলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (এম ও ভি সী দি এন ই আর), দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, মণিপুরনা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, থৌবাল অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকা পুন্না খুৎশম্নগা শিন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা প্লান্ট হেল্থ কেম্প অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা ইঙৌরোক কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লৌমীশিংনা পুরকপা ফৌ অমদি অতৈ মনা-মশিংদা তাবা লায়না তিন্নাগী সেম্পলশিং য়েংদুনা চান্ন-চান্নবা হীদাক লাংথকশিংসু অহোংবা মমলদা ফঙহনখিবা থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টগী প্রোজেক্ট ওফিসর কেঐচ নিমাইচান্দ, কে ভি কে থৌবালগী এস এম এস এগ্রোনোমি এন তোম্বা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লৌমীগী থৌনা ফার্মর প্রদ্যুসর কোওপরেটিভ লিমিটেদকী চ্যেরমেন কৈশাম তোলপিশক য়াওনা রিসোর্ছ পার্সন কয়াসু শরুক য়াখি।

এম ও ভি সী দি এন ই আরগী প্রোজেক্ট ওফিসর কেঐচ নিমাইচান্দনা ফোঙদোকখিবদা লৌমীশিংনা থাজরিবা পোথোকশিং অসি মহয় চানা লোকচবা ঙম্নবা পান্দমদা কেম্প অসি চথবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ১৪দগী সেপটেম্বর ৭ ফাওবগী মনুংদা অসিগুম্লবা প্লান্ট হেল্থ কেম্প ৪০ হেন্না পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি। ইঙৌরোকতা পাঙথোক্লিবা অসিনা ১৫শুবা কেম্পনি। মণিপুরদা লৈরিবা ফার্মর এসোসিএসন কম্পনি কয়া অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগা তান্নবিদুনা কেম্প অসিগী খুদোংচাবা লৌবিয়ু। লৌমীশিংদা মখোয় মখোয়না থাজরিবা পান্বীশিং অদুগা চান্নবা হীদাকশিং খঙদোক্তুনা অফবা পোথোকশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।


## মনিতোম্বীদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচএনএস) : লৈবাক্কী ঈরাংদা খুদোংথিবা নংলবী কুম্বী সেটপুর মমাং লৈকায়দা লৈবি ব্রহ্মচারিময়ুম মনিতোম্বীদা ইমা ইবেম্মা লাইখুলেম্বী খুভম শেমগৎপা লুপ লমদেং খুনৌ লমশাংগী নুপী কম্মিটিনা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মহাক্কী ময়ুমদা চত্তুনা তেংবাঙখ্রে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি থিঙ্গুজম ইবোসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক হৌজিক কুম্বী সেটপুর মমাং লৈকায়দা লৈবা মশাগী ময়ুমদা শোক্তুনা লৈরিবী ব্রহ্মচারিময়ুম মনিতোম্বী থোক্লিবা লান অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা ঈহৌদা ওগষ্ট ৩দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোর্বুংদা থোকখিবা থৌদোক অমদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল অমনা নোংমৈ বটনা শুবদগী কোক অমদি ঙক্কী শরুক্তা শোকখিবনি। উবগী পাঙ্গল লৈত্রবা মপুরোইবা অমদি মচা অহুমগা লোয়ননা ইমুং পুজরম্বী অসিনা হৌজিক থৌদোক্তুদা শোকখিবনা মরম ওইদুনা শু-নোম্বা ঙমদনা লৈবদগী অসি লমদমসিগী লুপ কয়াগী তেংবাঙগী মপাল তাংদুনা হিংলি। কম্মিটি অসিগী নুপী মেম্বরশিংনা অশোকপা অসি থুনা ফগৎলকপগা লোয়ননা হৌজিক কুকি অমদি মৈতৈ ফুরুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ঈরাং অসি লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুবিরকপা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপুদা থৌনিজখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬(ঐচ এন এস) :** লৈবাক্কী অমদি ইফুরুপ ইনাৎকী ওইবা থৌগায় কয়া পুবিরম্বা সলাই তরেৎ পুন্সি লুপতিন (লাঙ্গোল পুন্সিলোক)গীসু এদভাইজর ওইবদা নত্তনা কংলা ফমথৌ ৬৪গীসু জেনরেল সেক্রেটরি ওইবিরম্বা য়ূম্নাম ঈংবা (শরত)না হৌখিবা থৱানগী ৫নি পানবা ওগষ্ট ২১ নিংথৌকাবা নুমীৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লুপ অসিগী থৌমীশিংনা মিনট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না সলাই তরেৎ পুন্সি লুপতিনগী প্রসিদেন্ট অশাংবম ইবোহল লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




## ঙসিগী রাশি ফল

ইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহঅ সিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমসএ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।০৮।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং; থৱানগী ১১ নি পানবা।

মেষ: পাইরক্কী লৌশিং খরা শোনবনা ঐনা খনবনা চুম্মীদি খনগনু। হকচাং নুংঙাইগনি, থৌনা ফুদোকপনা ওইজ-ওইথক ফংগনি।
**লৈশা পাখংগী-** হেন্না আশা চাওরুখিনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাঙবা

বৃষ: ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, পাঙনীংবা থবক হৈ-শিংনা পাঙগনি, নচাক নরল চাওখৎহনবা ঙমগনি। ফিংবা/হোয়া ফবদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংগী-** নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাঙবা

মিথুন: অফা অপুন/খৎনবগী লমদদি খুউ শেল্লু। অতৈ লমদদি ঙম্নমক মায় পাক্কনি। থাজদনা ওইজবা য়াম্না ফংগনি, ৱাখল থোকই।
**লৈশা পাখংগী-** নুংশিবা ফংবগী নুংঙাইজৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক

কর্কট: হরাওবা নুংঙাইবা, ওইজবা ফংবা অমদি হকচাং নুংঙাইজবা নুমিৎনি। নাপল তৌবা অমদি মীৱা থাজবদি অপঙ তাগনি।
**লৈশা পাখংগী-** নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: নকন্থিনা মরল মাঙহন্দনবা অমদি মরম চাদনা চোপ্পা নংদনবা তপথৌ। ঙাকপা ঙম্লোইদবা ৱা ঙাংগনু। নচা-ননাই লোয়নৌ।
**লৈশা পাখংগী-** অশাওবনা তাথিগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্য: হকচাং খিঙবা, পোরম শীনবা হৈবা অমদি ঙাং-শকপদা পকচবা নুমিৎনি। খুৱৌ থাংলম্বা কোকচগনি। মরুপ্পদি খরদি কল্লক্কনি।
**লৈশা পাখংগী-** নীংবা থুংবা ৱাৎকনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: মায় পাকপনা হেনগনি। মীৱা লৌরগা থৌ পাঙগনু, ইমুং-মনুংদা নচাক নরল চেকশিল্লু। নক্লবনা লুনা খল্লি, লান্দবনা লাকচগনি।
**লৈশা পাখংগী-** ৱাখল নুংঙাইজগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: মীকোক থোংনা অনীংবা পাঙবা ঙমগনি। মীনা কিনগনি। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা হেন্না ফগনি, মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইজগনি।
**লৈশা পাখংগী-** নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা


ধনু: মায় পাকপগী নুংঙাইবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। নচাক নরলসু হান্নগুম চাওখৎকনি। অদুবু লাই-গুরুনা ৱারৌবদি লৈ।
**লৈশা পাখংগী-** নীংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: অখঙ অহৈগী পাউতাক লৌবা তনগনু নৎত্রদি অরুবা থবক পাঙবা ৱাগনি। মরুপ মপাং লোয়নবনা খরদি ফগনি। খাঙবা কল্লু।
**লৈশা পাখংগী-** নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/কিসমিস


কুম্ভ: চরাংনরদি মরুপ মপাং অমদি নথক থোংবগা লোয়নরসু কান্নবদি ইফং ফংলোই। লম চৎপা কান্নগনি, মীতোপ্পা তেংবাঙবীগনি।
**লৈশা পাখংগী-** পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা/চেঙ

মীন: চিংনবা থাদোকউ-লাইবক ফগনি। অশাওবনা তুংওইনরগা পাঙগে খনবা থবক্তু নীংহন্নদনা পাঙহৌরো। নথক থোংবদা শাওগনু।
**লৈশা পাখংগী-** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাঙবা

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**



Title : **A Scenery**
By : Taizeen
Class : III Sec : A
School : LEI



Title : **Landscape**
By : N. Anganba Meitei
Class : I Sec : C
School : Unacco School



Title : **Frog's life cycle**
By : Awangba Maipham
Class : KG Sec : Red Roll No. 20
School : Rosary Baby School




Title : **Hibiscus**
By : Henthoisana
Class : III Sec : B Roll No. : 62
School : Regular English High School




Title : **Spike**
By : Jeet Keisham
Class : VI Roll No. : 1
School : Career Foundation English School




Title : **Scenery**
By : A. Punachandra Singh
Class : IV
School : Maheilen Education Centre



Title : **A Scenery**
By : Kangabam Paariyai
Class : I Roll No. : 19
School : The Kidz Campus School



Title : **Lonely ship in the oceans**
By : Zuric Meitram
Class : III Sec : E Roll No. : 81
School : St. Joseph School, Imphal



Title : **Lady with sad mood**
By : Annie Meitram
Class : VI Sec : C Roll No. : 2
School : Little Flower School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই, অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি। নৎত্রগা হুইয়েন লানপাউগী ওফিসতা থিনবীরকপা য়াগনি।